# ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৭

## এস ঐচ দি এস ভি এ অমদি ইমি এফ সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল,মে ৫ঃ*

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন ইম্ফালনা শীন্দুনা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২০ দা ৱাঙ্খেগী ই এস য়ু গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখিবা অদুগা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ, অকাম্পাৎতা চথরক্লিবা ১৯শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা গ্রূপ বি লীগ মেটচ অনীদা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসনা লাঙ্গোল এফ সি বু ৪–০ দা অমদি ইমি এফ সি লাঙ্গোলনা দব্লিউ ভি এফ এ শগোলবন্দবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা লাঙ্গোল এফ সি গা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসকা লম্বা থেংনবদা এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসনা ৪–০ দা থোইখিবনি।

এস ঐচ দি এস ভি এ সদর হিলসকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ৩৭ তা লমখোলিন্না অহানা গোল, মিনট ৪০ দা রোনাল্ডনা অনীশুবা গোল, মিনট ৪১ শোংখৎসাৎনা অহুমশুবা গোল অমদি মিনট ৫০ দা হিমতিনসৈনা মরিশুবা গোল চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৩২ চৎপা মতমদা লাঙ্গোল এফ সি গী টি বিশ্বরজিৎনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা দব্লিউ ভি এফ এ শগোলবন্দগা ইমি এফ সি লাঙ্গোলগা লম্বা থেংনবদা ইমি এফ সি লাঙ্গোলনা গোল ৪–০ দা মায় পাকখিবনি।

ইমি এফ সি লাঙ্গোলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ৩ দা শৌখোলালনা অহানবা গোল, মিনট ২২ দা জাংমিনলেন্না অনীশুবা গোল, মিনট ২৯ দা নেহসৈনা অহুমশুবা গোল অমদি মিনট ৩৫ দা সৈখোহাওনা মরিশুবা গোল চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং শান্নগদবা গ্রূপ এ গী লীগ মেটচতা চজিং এফ সি গা এফ সি ৱাংখেমগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

# ১৪শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭

## ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল,মে ০৫ঃ*

মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চথরম্বদগী হৌজিক্কা লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা চথরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা মোদেল ক্লবপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল চঙখ্রে।



অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নখ্রবা মতুং নোং চুবদগী গ্রাউন্দগী ফিভম্মা নুমিৎ খরনি য়েথোক্লু রবা মতুং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা মোদেল ক্লবকা লম্বা থেংনবদা ৱিকেট ৮ দা ৱাই দব্লিউ সি না মায় পাকখিবনি। মেটচ অদুদা আউত ওইদনা রন ৩৩ লৌবগা লোয়ননা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবা ৱাই দব্লিউ সি গী ওল রাউন্দর সসিকান্তনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রে।

মেটচ অদুগী তোচ মোদেল ক্লবনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৭৬ স্কোর তৌখি।

বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী নরেসনা বোল ২৭ মায়োক্লবদা আউত ওইদনা রন ১৪, রোনিনা বোল ২৩ দা রন ১৩, গৌরচন্দ্রনা বোল ৩৫ দা রন ১০ অমদি সৈতব্রতনা বোল ২৩ দা রন ২৪ লৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি লংথাবলগী সসিকান্তনা ৱিকেট ৪, ব্রোজেন্না ৱিকেট ২, সমানন্দনা ৱিকেট ১ অমদি কুমারজিৎনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি না ওভর ২৩ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৭৭ লৌদুনা মায় পাকখিবনি। মদুদা ৱাই দব্লিউ সি গী সসিকান্তনা বোল ৫৮ মায়োক্লবদা রন ৩৩, কুমারনা বোল ৬০ দা রন ২৩, কুমারজিৎনা বোল ৭ তা রন ১ অমদি ব্রোজেন্দ্রনা বোল ১০ দা রন ৪ লৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী রোনিনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা ৱাই দব্লিউ লংথবালগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭

## এম পি এস এ–বি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল,মে ০৫ঃ*

পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রূপ ৪ থোক্লা খায়দোক্লুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লন্নাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম পি এস এ–বি পুংদোংবম্না পি জে এ পুংদোংবমবু ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

এম পি এস এ–বি পুংদোংবমগা পি জে এ পুংদোংবমগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা অহানবদা নাকল অনীনা লম্বা চান্নদা শান্নরবসু এম পি এস এ –বি পুংদোংবম্না বোল অদু কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা গোল ৪ মথং মথং চনশিন্দুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।



মেটচ অদুদা এম পি এস এ–বি পুংদোংবমগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী মিনট ৪৬ অমদি ৫৫ দা তোন্দোনবনা অহানবা অমদি অনীশুবা গোল চনখি। মিনট ৬১ অমদি ৭০ দা বুংঙোনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল অদু চনখিবনি।


টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা মঙাল এফ এ খাবমগা এম পি এস এ–বি পুংদোংবমগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

# মিক্স মার্সিএল আর্টস মশান্নগী শান্নরোইশিং খনগদৌরি

*ইম্ফাল,মে ০৫ঃ*

মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) মশান্নসি লেপ্পা লেপ্পা নত্রগা লৈমায়দা কাওনদুনা, থীন্নদুনা, য়েনবা অমদি খুৎনা কোন্নদুনা শান্নবা কম্বেৎ স্পোর্টস অমদি মার্সিএল আর্টসকী টেক্নিকশিং শীজিন্নদুনা ফুন্নবা মশান্না অমনি। মশান্না অসিদা ৱেঠ কেটেগোরি ১২ লৈ। মখোয়দুদি এটোম ৱেথ(কেজি ৪৩ দগী ৪৮), ষ্ট্রো ৱেথ (কেজি ৪৮ দগী ৫২), ফিন ৱেথ (কেজি ৫২ দগী ৫৪), ফ্লাই ৱেথ (কেজি ৫৪ দগী ৫৭), বন্তম ৱেথ (কেজি ৫৭ দগী ৬১) ফিদর ৱেথ (কেজি ৬১ দগী ৬৬), লাইথ ৱেথ (কেজি ৬৬ তগী ৭০), ৱেল্টর ৱেথ (কেজি ৭০ দগী ৭৭), মিদ্দল ৱেথ (কেজি ৭৭ তগী ৮৪), লাইথ হেভি ৱেথ (কেজি ৮৪ দগী ৯৩), হেভি ৱেথ (কেজি ৯৩ দগী ১২০) অমদি সুপর হেভি ৱেথ (কেজি ১২০)গী মথকনি।

কামনা ইন্দিয়া অমদি ইন্দিয়াগী মপান লৈবাক্তঃ শান্নরুনবগীদমক মিক্স মার্সিএল আর্টস কী মণিপুরগী টিম শেম্মনবগীদমক হৈ–শিংলবা ফুনবা হৈবা ফাইটরশিং খনগৎনবা শেম শারি। মসিগীদমক্তা শরুক য়ানিংবা লন্নাই মীওই, ক্লব, মখল অমাহেক্তঃগী মার্সিএল আর্টিসকী স্কুলশিংনা মখোয়গী প্রোফাইল, এক্সন ফোটোগ্রাফ, মেদিকেল ফিটনেস সার্টিফিকেটশিং, পোকপগী তারিক্কী সার্টিফিকেট লোয়ননা ইং ২০১৭ গী মেনগী ৮ ফাওবদা ষ্টেটকী, নেসনেলগী অমসুং ইন্টরনেসনেলগী শান্নরুবগী সার্টিফিকেটকী ফে–াটো–কোপীশিং খুরাই পুথিবা লৈকায়দা লৈবা কামগী ওফিসতা সবমিট তৌরক্কদবনি হায়না কামগী জেনরেল সেক্রেটরী থৌদাম জেটলি সিংহনা থোরকপা প্রেস রিলিজ অমনা খঙহল্লক্লি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*